# ‘কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী মপূং ফানা মূত্থৎকদবনি’

**ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি**

**উশম ধরমেন্দ্র**



ইরমদম মণিপুরসিদা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা তৌবা ঙমদবসিবু করিবু লৈরিবগে? মণিপুরগী চীংগী লমদা, তম্পাক্কী লমদা ঈরাং থোকহন্নীংবা মতমদা থোকহনবা ঙম্মী। মতাংসিদা নীংশিংবা য়াবদি মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি নোংমৈ, বোম মখোলবু তাদ্রবদি ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে হায়না তত্তনা হায়দুনতা লাকখিবনি। অদুবু মণিপুরগী মীচম মীয়ামদি কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনখিবা লানগী নাখৈ শেংবা ৱারোইশিন পুরক্ত্রি, লান লোইদ্রি হায়রকখিবনি। হৌজিক্তি অমুক মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মফম খুদিংমক্তা মৈ হৌনা চাক্লে। ৱাই খেমচান্দনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরকখিবগা লোয়ননা ইম্ফালদগী জিরিবাম, ইম্ফালদগী সেনাপতি, উখ্রুল চৎপগী প্রোগ্রাম মথং-মথং পায়খৎকখি, মদুগা ইরোয়ননা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী মায়কৈদগীসু ঈরাং মথং-মথং থোকহল্লকখি। থা অসিগী ৬ অমসুং ৭কী লোন্নবা অহিংদা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা চত্থখিবা টেরর এটেক অদুনা মীপূম খুদিংমক্কী থম্মোয় কায়হল্লে। অহোইননা মমা ওইবী কয়াগী মিৎলুগী পিরাং ঙসিসু কংহন্দ্রি। মমাগী মথাদা নুংঙাইনা তূমজরিবা চহী মঙাতা ঙাইরিবা ওইনাম তোমথিন অমসুং থা মঙা খক্তা ঙাইরিবী তাইবঙ মীরোল তাদ্রিবী মচন্নুপী ওইনাম য়াইস্নাবু বোম কাপশিন্দুনা কুকি টেররিষ্টশিংনা তমথীনা হাৎতোকপীখি অমসুং অপোকপী মমা বিনিতাবুনা তমথীনা শোকহনবীখি। তমথীবা থৌদোক্তুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা কুকি-জোশিংনা খুন্দারিবা গেলমোল খুল মনাক্তা লৈবা সী আর পি এফ কেম্পতা নখোয়না মীচম মীয়াম্বু ঙাক শেনবীদ্রিবা করিগীনো হায়দুনা খোঙজং চঙশিনখিবা মীতৈ নহা অহুমসু সী আর পি এফনা নুংশি হৈতনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎতোকপীখ্রে অমসুং মীওই কয়ামুক্না অশোক-অপন নংহনবীখ্রে।

নাকল অমরোমদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দগী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী এপ্রিল ১৭, ২০২৬কী খোঙচৎকী হেক নোংঙানবদা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মীচম তোংবা গাড়ীদা এম্বুশ তৌশিল্লক্তুনা এপ্রিল ১৮গী নুংথিলদা টি এম কসোম খুলদা নাগা রেজিমেন্টতা থবক তৌরম্বা চিনাওশাং শোকৰুংনাও অমসুং খারাসোমগী খুঞ্জা য়ারুইঙম ভাসুমবু হাৎতোকপীখি। ৱাই খেমচান্দগী এপ্রিল ৪দগী ৬ ফাওবগী খোঙচৎসু মপূং ফানা চৎখি। লাঞ্জেন্নরিবা কুকি অমসুং মীতৈ ফূরুপকী মীওইশিংগা উন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই তৌনখি। অদুবু মদুগী মতুংদনি ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়গী থৌদোক থোকখ্রিবা অদু। ৱাই খেমচান্দগী মমাঙগী প্রসিদেন্টস রুলগী মতমদুদা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী মায়কৈদগী নোংমৈ, বোমগী মখোল তাহল্লকখিদে। মীয়াম্না খনখিবা মীহুৎশিংনা লৈঙাক শাসন তৌরকপা চহী অমমুক গেপ লৈরুরবগী মতুংদনি মণিপুরদা ঈরাংগী ঈরাং ঙাক্তা ওন্থোকপা ফীভম অমদনি লাক্লিবসি। চহীসিগী ফেব্রুৱারী ৪দগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা লৈঙাক শাসন তৌরকপদগীদি মণিপুরসি ওন্থোকপা ফীভম অমদা নোংম-নোংমগী ফীভম শোকচিল্লক্লি। ত্রোংলাওবীগী টেরর এটেক অদুগী মখা শমথরকপদা লেপ্তুনা চত্থরকখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ খোঙজংশিংদা ইম্ফাল তম্পাক্তা খোঙজংলোইশিং অমসুং মীয়ামগী লন-থুমদা অশোক-অপন অমসুং অমাঙ অতা কয়া থোরকখি। ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীচম-মীয়ামদা টিয়র গ্যাস, লাইভ বুল্লেট কাপশিনবা, মীগী সী সী টিভি কেমরা থুগাইবা, খামদুনা লৈবা গাড়ীশিং থুগাইবা কয়া মীপূম তিংনা উনরে। মীয়ামগী পূন্সি অমসুং লন-থুম ঙাকপী শেনবীগদবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অসিনা তৌরিবসিবু করিনো, ৱাখল অমা তাদ্রে। অতৈ লাইরি মখোয় খরসি হান্না মকোকথোংবশিংনা কাউন্সেল্লিং তৌদবা য়ারোইদৌরি। অদুগা অমুকসু মণিপুর লৈঙাক্না মণিপুর পুলিস পর্সনেলশিংদা অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্ট (য়ু এ পি এ), ১৯৬৭কী মখাদা অহেনবা শক্তি হাপখ্রে। চহীসিগী হৌখিবা এপ্রিল ২২দা থোকখিবা ওর্দর অসিগী মরুমদা মীচম কয়াগী পূন্সিদি অৱাবা নংবা হায়বসিদি শোয়দ্রে।

কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মখোয়গী অরোনবা এজেন্দা অমগী মরুমদা নমদুনা থোকহনখিবা লান, মে ৩,২০২৩দুদগী ঙসি ফাওবদা ষ্টেট লৈঙাক্না তৌরক্লিবা লৈঙাক শাসন মওং অমসুং ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মণিপুরদা য়েংবীরিবা মওং অসি মণিপুর মীয়াম্না অসুক্কী মতিক পেন্নদ্রে। মশানা মণিপুরগী চেঙ চারগসু মণিপুরীনি হায়জনীংদবা কুকিশিংনদি ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাকপু ঙমখৈ লৈতনা পেল্লমগনি। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মণিপুরদা য়ারিবমখৈ ঈরাং থোক্লবা হোৎনৈ। ইন্দিয়াদা মর্জর এগ্রীমেন্টকী খূৎয়েক পীনরগা পুনখিবা মণিপুর য়ুনিয়ন লৈঙাক্না থুগায়বা ঙমদে খঙনা খঙনা কুকিশিংনা মখোয়গী তোঙানবা লৈঙাক অমা তান্দুনা লৈরি। মনাইগা মপুগা য়ান্নরগা প্রসিদেন্টস রুল মনুংদদি ঈরাং লৈহন্দে। মীতৈ ফূরুপকী মীওইনা চীফ মিনিষ্টর ওইরকপদদি মীতৈগী চীফ মিনিষ্টরনা লৈবাক ঙাকপদা মতিক চাদে হায়নবা থোকপা য়াবা ঈরাং থোকহল্লি। ত্রোংলাওবী থৌদোক্কী শমথরকপা ঈরাংদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং মীচম মীয়াম থৌদোক্তুগী মরাল লৈবশিং ফাদুনা আইনগী ওইবা মতিক চাবা দন্দি ফংহল্লু হায়বা খোঙজংশিংদা অশোক-অপন, মীশি-মীনা নংখিবা মীচম মীয়াম কয়ানো? নীংতম্লবা দেমোক্রেসি চৎপা ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরিবা মণিপুরদা ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা মীতৈ মীয়ামদা চত্থরিবা ঈরাং লাকশিনবগী মওং মতৌ অসিদি বৃটিশ শাসন মতমদা বৃটিশশিংনা ইন্দিয়া মচাশিংদা চত্থখিবদুগা পাঙ্খক্লি।

মণিপুরদা ঈরাং থোকহল্লিবসি ম্যান্মারদগী আইন কায়না হাইজিল্লকখিবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা লুচিংলগনি হায়বসি অদুমক ইফোং ফোংলবনি। ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টরসু মসিগী নোলেজ লৈরিবনি। অদুবু মখোয়বু ফাবা পুনবগী ৱাফমদি লৈতে। ত্রোংলাওবীগী থৌদোক্তা চেন্নবশিং ফানবা পাক শন্না কোম্বিং ওপরেশন তৌবীনবা মীয়াম্না অকনবা খোল্লাও লাউই। অদুবু ষ্টেট লৈঙাক্না লৈরিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অসিনা মতিক চাদে, ইলেক্সন দ্যুটিগী চৎনখিবা পুলিস পর্সনেল, পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং হল্লক্লগা তৌনবগী হায়খি। অঙকপনি হৌজিক ষ্টেটসিদা লৈরিবা ষ্টেট সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং মতেং পাংবা লাক্লিবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং অসিগা পুল্লগা কুকি টেররিষ্টশিংগী মথক্তা দ্রাইভ চত্থবা য়াবনি অদুবু তৌদে। য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংদা এপিয়রমেন্ট পোলিসি চত্থরি। মসিদনি ষ্টেট লৈঙাক্না ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুশননা পীরিবা ষ্টেট অমগী পৱার শীজিন্নদুনা লৈবাক ঈরাং হৌহল্লিবশিংবু লাকশিনবগী মথৌ তারিবসি। লৈবাক থুগায়নবা হোৎনরবদি অহেনবা শক্তি শীজিন্নদুনা লাকশিনগদবনি। ষ্টেট লৈঙাক মপাঙ্গল কনগদবনি। ষ্টেট লৈঙাক্না মপাঙ্গল শোনবা অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মখোয়দা এপিয়রমেন্ট পোলিসি চত্থবনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা লমদমসিদা তৌনীং তৌনীংবতা তৌরে।

নুপীশিং-অঙাংশিংবু য়াম্না নুংশিবা উৎতুনা মীদিয়াদা শং-শংদুনা ঙাঙলিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মণিপুরদা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা নুপী অমদি অঙাংশিংবু তমথীনা হাৎপদা করিসু ঙাঙদনা ‘মৌনিব্রত’ তৌদুনা লাক্লি। জিরিবামগী জাকুরাধোরগী থৌদোক, কুমজা ২০২৪গী নবেম্বর থাদা অঙাং অহুম, নুপী অহুম কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা ফাখ্রগা তমথীনা হাৎতোকপীরগা বরাক তুরেলদা থাদরকখিবদুদা শুপ্নতংগী চহী অনীমখায় খক্তা ঙাইরিবা চীংখৈঙানবা অমসুং থা নিপালখক্তা ঙাইরিবা লমঙানবা অঙাং অনী য়াওখিবনি। মদুদসু নরেন্দ্র মোদি করিমত্তা হায়খিদে। হন্দক্কী ত্রোংলাওবীগী থৌদোক্তা হাৎপীখিবা অঙাং অনীগী মতাংদসু করিমত্তা হায়দে। মসিদা জি-জি হায়দুনা মহাক্কী দর্শন অমুক্তং ফংজরবদি হায়দুনা মখোয়না তৌ হায়বতা তৌরিবা ঐখোয়গী লুচিংবনি হায়রিবশিংসিসু অঙকপা অমনি। ঙকপা হায়ববু খোংজেল নুমিৎকী থৌরমদা ষ্টেট সোং ‘সনা লৈবাক মণিপুর’ ফাওবা শকখিদ্রে।

লোইশিল্লকপদা ষ্টেট লৈঙাক মপাঙ্গল কলহন্নীংই। সংবিধাননা পীরিবা শক্তি শীজিন্নদুনা লৈবাক ঈরাং হৌহল্লিবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংবু মরূ ফংনা মূত্থৎকদবনি। মখোয়বু মরূ ফংনা মূত্থৎলবদতা লমসিদা মহৌশাগী পূন্সি মরেল পুরকপা ঙমগনি। লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিং মশা মশাগী মরমদমদা হঞ্জিন্দুনা মহৌশাগুম্না লৈজবা ঙমগনি। লমদমসি ঈং-তপ্পা পুরক্কনি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# “নোংমদা ওইখিবা নত্তে” - ১

**- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -**



**শুমাং লীলাগী মশক-মওং-মতৌ :-** লাই হরাওবদগী হৌরগা লমদমসিগী লৈহাওদগী পোল্লকপা ত্রেদিশনল আর্ট ফোর্ম কয়াগা ইতিন্নদুনা শুমাং লীলা কৌবা আর্ট ফোর্ম অসি লৈরকই। শুমাং লীলাদি মালেমদা লৈতবা ত্রেদিশনল থিএটরনি। লমদম অসিগী লৈহৌমী নৎত্রগা য়েলহৌমী হায়না খঙনরিবা মী কাঙলূপ অসিগী লূ তোংদা শাগোন্নদুনা পোল্লকপা আর্ট ফোর্মনি। লৈকায় খুঙ্গংগী তৌথোরকপদা পকচা ৱাইজবা মীওইশিংনা লৈকায়দুদা আর্ট ফোর্ম অসি শেমগৎনরকই। খুনফম পালা হায়নসু খঙনরকই। কুম্মৈ ফিয়োংবু খুন্নাই শেমগৎপা অমদি পূন্সিরোলগী মরু ওইবা পোৎচং অমা ওইনা লৌনরকপনা অসিগুম্বা মখলগী লৈকায় খুঙ্গং কয়াদা পোল্লকখিবা পোথা কুম্মৈ অসি অহেনবা হৌজিক্কী আর্ট ফোর্ম কয়াসিগুম মরাং কায়না লৈরমদবনা শাহৌ ফনা আর্ট ফোর্ম অসি (শুমাং লীলা) মপুং ফারকই। শুমাং লীলাগী অইবা, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী এৱার্দি ফুরাইলাৎপম গুনচন্দ্র শর্ম্মগী ‘শুমাং লীলা’ কৌবা লাইরিক্তা শুমাংদা শান্নবা লীলাবু শুমাং লীলা কৌই হায়বসি হোংদোকপা ঙমদবা অচুম্বা দিফিনিশন অমা ওইরি।

শুমাং লীলাদি মরৈবাক নীংবদা য়ূম্ফম ওইগনি। লাইনীং লাইশোন লোয়নগনি। মায়কৈ অমখক্তদা চংফম থোকফম ওইগনি। শান্নফম অদুবু ইকোই কোয়শিন্না য়েংগনি। মহৌশাদি লীলা য়েংফম অসি নুপাগী-নুপীগী খায়দোক্তুনা য়েংনরম্মী। মনীং অমদি অৱাংনা নুপীশিংগী, মখা অমদি মমাঙনা নুপাশিংগী য়েংফম ওইরম্মী। লীলা য়েংনবগী ফিদা চৰুনা ওইরম্মী। তুলশিবোং মপাদা মাইক্রোফোন অমত্তং খিল্লম্মী। পেত্রোমেক্স অনী ময়ায়দা য়াল্লগা লীলা শান্নরম্মী। ধুলোগ অমগা রামতান অমগনা লীলাগী মপুং ফাবা ম্যুজিকনি। লীলা শান্নফমগী মচিদা কৌনাগী ফম অমা থাদুনা ধুলোগ অমদি রামতানদু থমগনি। লীলারোইশিংগী মরক্তগী হৈথোইবা অমনা খূৎলায় অনীদু শীজিন্নরগা লীলাগী ম্যুজিক ওইগনি। লীলা য়েংবা লাক্লিবশিংনসু মশা মশাগী ফম্ফম (ফিদা) পুরক্তুনা লীলা য়েংবা লাকই। লীলা লৈবা লৈকায়দি চাকঙন থোংঙু হায়নৈ। লৈকায় অমদা লীলা লৈবসি খুঙ্গং কয়াদা চিন্থাং পাউ শন্দোকখিদুনা খোঙবু খোঙবু শেম্লগা লীলা য়েংবা লাক্লে। লীলানা পীবা পাউজেলবু মচা, মমৌ, মশু ৱারক-ৱাতেম্বদা শীজিন্নৈ। “লীলাদা হায়রিদো তাদব্রা নোয়বু” অসিনচিংবনি। লীলা নুংঙাইত্রগা লীলা কাঙবুনা থেংনা য়ৌরক্লবদি ফম্ফম ওইরিবা চৰুনা মী শারগা মাং থানা ফল্লিবা অঙাংশিংনা লংনবসু কুম্মৈনি হায়না লমদমসিগী শক্লাইরবা-শক্লাইরবীশিংনা ফোঙদোক্লম্মী। এম কে বিনোদিনিনা হায়খি, শুমাং লীলাদি খুন্নাইবু শেমদোকপা ঙম্বা দিটর্জেন্ট (সর্ফ) নি। অরাম্বম সমরেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবা তাহৌই, শুমাং লীলাদি খুন্নাইবু তেক্ত-কায়দনবা ঙাক শেল্লিবা আর্ট ফোর্ম অমনি। শুমাং লীলাদি নুপা ঙাক্তনা নৎত্রগা নুপী ঙাক্তনা পাঙথোকপা আর্ট ফোর্ম অমনি। খুঙ্গংগী লীলারোই কয়া তপ্না-তপ্না ইম্ফাল য়ৌরকই। অসিগুম্বা মমল লৈজৈ হায়না লৌজরিবা শুমাং লীলা অসি মতম অমদা যাত্রাৱালি নৎত্রগা দাইলোগ লীলা হায়নসু তাঙ্কক খরদা খঙনখি। মমৈদা ফিল্মগী শাফূ কয়া য়ৌশিল্লকপদগী ঈশৈ য়াওবা লীলা মখল অমা থোক্লকই। মসিবু ঈশৈ লীলা হায়না খঙনৈ। হৌজিক্কী শুমাং লীলা অসি যাত্রাৱালি অমদি ঈশৈ লীলা অনীনা চারৌ মৌরৌনরগা পোকপা মুকশন ওইরবা য়াম্না রিফাইন তৌরবা ফোর্ম অমা ওইরে। মতমগী মতুংইন্না সোফিষ্টিকেট ওইবা ম্যুজিক অমদি বেক খোঞ্জেল শৈশকপা কয়া হাপচিল্লকপনা অদুঙৈগী ত্রেদিশনেল ওইবা ফোর্ম অদুগী মশক্তি হোংলে। ইতিহাস হঞ্জিনবা তৌদে হায়রবসু মহৌশাগী হায়বা মশক্তুদি ঙাক্তুনা থম্বা মথৌ তারি।

শুমাং লীলা চাওখৎনবা লীলাবু নুংশিবীবা খরনা কুমজা ১৯৭১দা ওল মণিপুর যাত্রা এসোসিএশন লীংখৎলকই। লীলাবু নুংশিবীবা তোঙান তোঙানবা শিনফমদা লৈবা মীওই কয়া য়াওনা শেম্বা এসোসিএশন অসিনা থিএটর সেন্টর মণিপুরগা খূৎশম্নদুনা লীলাগী অথোই অহেন তান্নবগী থবক অসি হৌরকখি। তৌরিবা থবক খুতৌ অদু লীলাবু শেল তান্নবা খক্তমক তৌবা মানবা অমা লীলারোইশিংগী থম্মোয়দা ফাওহনখি। শুমাং লীলাগীদমক তুং কোয়নবা মফম অমা শেমগৎপগী ৱাখল্লোনদি ইয়াও য়াওদে। মরম অসিদগী পূক্লিং নুংশিরবা লীলাদা চোংজবশিংনা মীতোপ য়াওদবা, লীলা য়াওজবশিংতগী ওইবা লূপ অমা লীংখৎপা পাম্লকই।

**মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিল লিংখৎপা :** কুমজা ১৯৮৪গী এপ্রিল ১২দা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিল লিংখৎলে। লিংখৎপা মতমদা থৌ পুখিবশিংদি লাইপুবম মধুমঙ্গোল (প্রসিদেন্ট), শমুরাইলাৎপম জুগেশ্বর (চৈতৈ শাবা) সেক্রেটরি, মঙসিদম বীনোদ (ত্রেজরর), লোইতাম তোমাল (মেম্বর), লাইময়ূম ইবোতোম্বী (বিরসিং শাবা) মেম্বর, তখেল্লম্বম বুধা (ইপোম চাউবগী ময়াম্বা) মেম্বর, থোঙাম নিলো (মেম্বর), কংলা ইবোচৌ (মেম্বর), য়াইরিপোক উত্তম (মেম্বর) অসিনচিংবনি। কাউন্সিল অসিগী মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী মীফমগী অহানবা ৱারেপ ওইনা লীলাগী মফম অমা লেঙদনা থম্বা, মদুদা লীলা শান্নফম ওইবতা নত্তনা লীলা তম্ফম ওইবা হায়বসি ৱাখল্লোন অমত্তা ওইনা লেপ্লখি। অদুবু লাইবক থীবদি কাউন্সিল অসি লিংখৎপা মতুং ইকুই কুইদ্রিঙৈ ১৯৯১দা কাউন্সিলগী সেক্রেটরি ওইরম্বা ঐজ্ঞ চৈতৈ হায়রগা খঙনবা সমুরাইলাৎপম জুগেশ্বর শর্ম্ম সেকমাইদা লীলা শান্নবা চৎপদা গাড়ী এক্সিদেন্টতা লৈখিদে। লীলারোই কয়ানা শোয়নাইরগা হিংহৌই। ১৯৯২দা অনৌবা মেনেজমেন্ট কম্মিটি অমা ফোর্ম তৌরে। নরেন্দ্র নিঙোম্বনা সেক্রেটরি, মঙসিদম বীনোদনা প্রসিদেন্ট, ফুরাইলাৎপম গুনচন্দ্র শর্ম্মনা ত্রেজরর অমদি শৌগ্রাকপম হেমন্তনা মেম্বর ওইনা য়াওরকখি। টর্ম অসিদসু শঙলেন অমা শানবগী ৱাফম মঙম ইশান শানখিদে। শুমাং লীলাবু নুংশিবীবা কয়াদগী ৱাখল্লোন লৌবদি তোকখিদে। টর্ম অসি লোইরবা মতুং লীলারোই এ কে বেঙ্গোলনা সেক্রেটরি অদুগা মঙসিদম বীনোদনা প্রসিদেন্ট, ফুরাইলাৎপম গুনচন্দ্র শর্ম্মনা ত্রেজরর, শৌগ্রাকপম হেমন্তনা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুখি। মতম অদুদা ডা. মোইরাংথেম নরনা এম এল এ ওইবা মতমনি। মহাক্না মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী চীফ এদভাইজর ওইদুনা শঙলেন অমত্তং থম্নবগীদমক তোয়না ৱা তান্নখি। মফম চাবা কয়া য়েংবা হৌরকই।

মতমতা হৌখি। শঙলেনদি ওইথোকপা ঙমখিদে। ১৯৯৭তা শৌগ্রাকপম হেমন্তনা সেক্রেটরি, ফুরাইলাৎপম গুনচন্দ্র শর্ম্মনা প্রসিদেন্ট, কে দেবান শর্ম্মনা ত্রেজরর ওইবা মতমদা শঙলেন শানবগী ঈহৌ হেন্না হেন্না কনখৎলকই। অরাম্বম সমরেন্দ্রগী ৱাখল্লোন তুংইন্না করাম অমুমচাগা তান্নরগা শুমাং লীলাগী শঙলেন অমা শাবগী ৱা তান্নখি। মীফম অদু লোইদুনা কাউন্সিলগী থৌ পুবশিং ইম্ফাল তম্না হল্লকপা মীৎকুপ্তা ইখঙ খঙহৌদনা অরাম্বম সমরেন্দ্র লৈখিদবগী পাউ তাখি। কুমজা ২০০০দনি। লমজিংবা মহাক্না মাঙখিবদা কাউন্সিলনা মঙজরিবা শঙলেন শাবগী মঙদুসু মঙফাওনখিদে। (মথং-মথং) ●

# লোক্তাক অমসুং লোক্তাক প্রোজেক্ট

**- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -**

কুমজা ১৯৬৮/৬৯ অদুৱাইদা ইম্ফাল অমদি টিদ্দিম লম্বীশিংগী মীয়াম্না উননবা হোর্দিং কয়া লোক্তাক প্রোজেক্টনা পীগদৌবা মৈগী অমদি ঈথৈ লৌখোংগী, লৌউ-শিংউবদা ফংগদৌবা কান্নবা কয়া অদু লোক্তাক মল্টিপর্পজ প্রোজেক্টনা থাদুনা মীয়ামদা উহনখি। চহী ১৪/১৫ চংনা শেমগৎ শাগৎপা মতম লৌখি। ১৯৮৪দা মতম অদুগী ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ওক্টোবর থাদা কম্মিশন তৌবীখিবনি। থম্বীখিবা পান্দমদি মৈ মেগাৱাট্ট ১০৫ পুথোকপা অদুগা লৌ হেক্টর লিশীং কয়াদা ঈশিংগী অৱাৎপা লৈহন্দনা লৌউ-শিংউবা, মনা-মশিং থাদুনা পোথোক চাথোক কয়া পুথোক্লগা শেল-থুমগী নীংতম্বা শোয়দনা ফংগনি হায়বা অসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা শেমগৎ-শাগৎখিবনি। পুথোক্লিবা মৈগী রোয়েলটি ওইনা চাদা ১২গী চাং ওইনা ফংবা মণিপুরগী দরকার ওইবা লৈরগনা শেল পীদুনা লৈবনি। ইরিগেশন এন্দ ফ্লদ কন্ত্রোল লোয়শঙনা নিংথৌখোংদগী ইনখৎলকপনা লংথবাল ফুরামখোঙগী তেরা মখোঙ ফাওবগী পান্দম থমদুনা কেনেল ফাওবা শেম-শাদুনা লৈরিবনি। মসি বিষ্ণুপুর, তৌবুল, নাচৌ, খোইজুমান, য়ূম্নাম খুনৌ, ওইনাম, নম্বোল, মাইবম, উৎলৌ, মালোম মসিদা নত্তনা মফম কয়াদা রবী, খরিফ অনীমক্তা ঈশিং পীনবা পান্দম থমখি। অদুবু তায়োন্নবা ওইবা ঙসিদি লৌউ-শিংউবা মতমদসু ঈশিং মপূং ফানা পীবা উদে অদুগা নীংথম মহে-মরোং থাবা মতমদসু ঈশিং পীবা ঙমদে। মফম খরতমক পীবা নত্তনা ইরিগেশন হায়বা অদুগী ৱাহন্থোক উবা ফংদে। মালেমদা হৌরিবা মনা-মশিং, উপাল-ৱাপাল খুদিংমক ঈশিংগী মথৌ ঙাক্তনি। কুমগী নোং ঙাইদুনা লৌউ-শিংউবা পোইনু, ৱাকচীং, ফাইরেল থাগী নীংথম মহে-মরোং, মনা-মশিংসু অতিয়া য়েংদুনা মনা-মশিং থাবা মীনা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লবা, লোক্তাক পাৎতগী চেন্থখিগদৌবা ঈশিংবু ইথাই বরাজনা থৎলগা মৌখৎলকপা ঈশিং অদু নিংথৌখোং কেনেলদা চেন্থহল্লগা টনেল মনুং ফাওদুনা লৈমতাক্কী খিল্লিবা তরবাইন মেছিন উংহন্দুনা পুথোরকপা মৈ অমদি টনেল মনুং চংদ্রিঙৈদা খা পাংনা লিফ ইরিগেশন পীরিবা অমসুং অৱাং পাংনা লিফ ইরিগেশন পীরিবা পূম্নমক লৈঙাক্না মীয়ামগী য়াইফনবা তৌরিবা ঙাক্তনি। টিপাইমুখ হায় দাম শেমগৎ-শাগৎলগা মৈ মেগাৱাট্ট ১৫০০ পুথোক্কনি তৌরম্বসু মখা তাখিদ্রে। মসিদা নত্তনা মেগা প্রোজেক্ট মচা মচা তৌনবা তৌরম্বসু অমা ফাওবা মখা চত্থখিদ্রে। খরদং মমিং পল্লবদা মোরে লম্বীগী লোকচাউ, জিরি লম্বীগী খারাম, ইরং, লোক্তাক দাউনষ্ট্রিম, বুনিং, আই টি রোদকী তরৌলোং, খৌবুম মফম কয়া অসিদা নত্তনা তমেংলোংগী সোংপ্রম, পাব্রম কয়া অদুগীদমক ইনভেষ্টিগেশন তৌদুনা ঈশিংগী ঈচেল কয়া ওনবা, ঈচেলদা লৈঙোইগী চাং কয়া য়াম্না য়াওবা থিগৎলম্লবনি। পূম্নমক মখা চত্থখিদ্রে।

হৌজিক হৌজিক খরদং ওইরবসু পুথোক্লিবা মৈগী চাদা ১২ ফংলিবা অসি লৈখিদ্রবা অহল ইবুংঙো মাইরেম্বম কোইরেংগা মতমদুগী ইন্দিয়া লৈঙাক্কী পৱার মিনিষ্টরগা য়ান্নদুনা পায়খৎখিবা লোক্তাক মল্টিপর্পজ প্রোজেক্ট অসিদি চহী নিফু শুরবা মতম অসি ফাওবা হিংদুনা খরগীমখৈদি কান্নবা ফংলি। মতম অমদা টিপাইমুখ হায় দাম পায়খৎনবা হৌরকপা মতমদা ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি ঐখোয় শ্বাইগী মশানা মশাবু এনভাইরোনমেন্টেলিষ্টনি হায়জবা কয়ানা অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ, উপাল-ৱাপাল কয়া মাঙ-তাক্কনি হায়দুনা মপা-মপা চাদুনা তোকখ্রে। ঙসিদি টিপাইমুখ হায় দামগী প্রোজেক্টনা উপাল-ৱাপাল কয়া শোকহনবদুদগী শরুক লিশীং লিশীং হেন্না পোপী থানবা চীংমায় চীংমায় কয়া কোকথোক্লগা মরূ কোক্লবা চীংশাং কয়া চীংচেপ কয়া লোকনুং কয়াদা উপাল কয়া য়ান্থৎপা অসি শরুক ১০০/১০০ হেন্না কোকথোক্লে। কনা কনাগুম্বা মীওইশিংনা লোক্তাক প্রোজেক্টনা লোক্তাক মাঙহল্লে হায়বা মীওইদুসু মাগী ওইবা ৱাখলনি। ঐনা অমুক হায়নীংই লোক্তাক প্রোজেক্ট লৈরমদ্রবদি লম্ফেলপাৎ, তাকয়েল পাৎ, য়ারল পাৎ, উত্রা পাৎ, সনা পাৎকী ফীভম চহী নিফু অসিদা শোয়দনা ওইরক্লবগী মরম য়াম্না লৈ। লোক্তাক পাৎ তম্না মণিপুর তম্পাক্কী ঈচেল নাইবা তুরেল কয়ানা পুথরক্লিবা অমোৎ-অকাই কয়ানা নোংম-নোংমগী থেনগৎহন্দুনা লোক্তাক পাৎকী ঙসি উরিবা শক্তম অসিদগী পুমতোপ তোপ্পা অমা ওইনা উরম্বসু য়াই।

শামু থাদোক্লগা শামুগী চাক্তাফম ওইরম্বা শামুশঙ খুল্লেল লমজাও, য়াৱা লমজাও, লৈরুকোক, তৌজেং পাৎ, শগাইশাবী, হৈয়েনথোং, ফিগৈ লমজাও অসিদা নত্তনা তৌবুল, ক্বাকসিফাই, নিংথৌখোং, থিনুঙ্গৈ, ফুবালা, নরানসৈনা মথং মথং লোক্তাক পাৎকী অকোয়বদা খুন্দারিবা খক্তা নত্তনা শেঞ্জাও পায়বা কেপিটেলিষ্ট কয়ানা লৌ পরি ৫, ১০, ২০ কোয়শিন কোয়শিন্দুনা দখল তৌরিবা অসিবু কুমজা ১৯৫১গী মমাঙদা লৈরম্বরা? ইম্ফাল ৱেষ্ট-টুগী এস দি ও বিষ্ণুপুরগী এস দি ও, ৱাইখোংগী এস দি ও পূন্না খুৎশম্নরগা অমুক্তং লোক্তাক পাৎ কন্নবা হোৎনবীয়ু নত্তদুনা মতম মতমদা পোলিটিকেল এপোইন্টমেন্ট পোষ্ট খরা হায়বদি চ্যেরমেন অমনা লুচিংলগা টিভিদা, সোশল মীদিয়াদা লাউবদুনা করিসু অচুম্বা পুরকপা ঙম্লোই। লৈঙাক্কী শেঙ্গাওদগী শেলতমক লোইখিনি।

সহর অমদি খুঙ্গং ফাওদুনা চেল্লিবা ঈচেল মচাদগী অচৌবা কয়াদা লংথরিবা তুম্বা ঙমদবা প্লাষ্টিককী পোৎলম কয়া অমা, মশা-মশাগী ইঙ্খোলগী অমোৎ অকায়, হাপু-হনাই কয়া লংথরক্লিবা ফত্ত-হৌদি পূম্নমক লোক্তাক পাৎতা তারিবনি। সেকমাইজিং, ফৌবাকচাও, থোঙাম, কোনুমা, কোমলাখোং, তেরানচিংবদা খুন্দারিবা কয়াসু লোক্তাক পাৎকী মরুম থুপ্না হিংজরম্বা ঙাক্তনি। ঙসিদি কোইশিনবা, খোপচিনবা কয়ানা শেন্থোক লম্বী লৈজদ্রবা কয়ানা এলাং, কোমপ্রেক, লোকলৈ, পুলৈ, শীংয়ান-ইফানবা য়াবা মফম খুদিং মপু পানশিনখিদুনা লায়রবগী শুজ নোমজরগা হিংবা মীয়ামগী খোঙদা হিদাফম লৈত্রে। মসিবু লোক্তাক কল্লিবরা, লোক্তাক মাঙহনবদা খোঙ্গ্রাই চন্দুনা হকাম চল্লিবরা খঙদ্রে লৈঙাক অসিগী থৌরাং অসি।

লোক্তাক মণিপুরগী ইন্দিয়াগী থুমহি চেন্দবা ঈশিং, মীনা থোংবা-থাকপা, ইরু মায়থজবা য়াবা য়াম্না তাঙলবা ফ্রেশ ৱাটর লেক অমনি হায়দুনা মালেম্না শকখঙনরিবনি। লোক্তাক পাৎকী মশা য়াম্না চাউবা পাৎ নৎত্রবসু মমল য়াম্বা ঙা মখল কয়া ফংবা তাকমু, পুমলেল পাৎ, উঙামলেন পাৎ কয়া অসি পূম্নমক লোক্তাক পাৎকী মসা মরেং ঙাক্তনি। থম্মোয় শেংবা লৈবাক ঙাকপা মতিক চাবা হিষ্টরিকেল বেগগ্রাউন্দ লৈবা লৈঙাকপা থোরক্লগা থোঙাম মোন্দুম চীং/তুমুরাকপা চীংগী মমাঙদা চেল্লিবা মরম্না মরীল অসিনা ৱাংঙুদা চেল্লিবা তুরেল অসিগা শম্নহনবা মতমদা ১৯৮৪দা লোক্তাক প্রোজেক্ট কম্মিশন তৌখিবদগী মণিপুর তুরেলদগী ইরাৱাদি চিন্দ ৱিন তুরেল মথং মথং তাখিদুনা বে-ওফ-বেঙ্গল অমদি ইন্দিয়ান ওসিনগী ঈপাক্তা চাক্তারম্বা শরেং-ঙারেল, পেংবা, খাবক, ঙাতোন খুদিংমক্না লোক্তাক পাৎকী কম্বোং মনৌ, ৱাইগৌ ময়োল অনৌবা ইপাল থাগী মতমদা অমদি অনৌবা হানৌ চাবা লাক্লম্বা পূম্নমক লাকখিদ্রবনি। মসিনা মরম ওইদুনা ১৯৮৪গী মমাঙদা ইম্ফাল তুরেলদা শরেং ঙারেল, পেংবা, খাবক, ঙাতোন ফারম্বনি। থোঙাম মোন্দুম চীংগী মমাঙদা চেল্লিবা মরাম্বা মরীলনা ৱাংঙুদা চেল্লিবা ইথাই বরাজ মখাদা লৈরিবা অসিগা শাগোন্নবা করিসু লোক্তাক পাৎকী মহৌশাগী ঙা মমল য়াম্লবা কয়া ফংনবগী অমত্তা ঙাইবা লম্বী অমনি।

মীয়াম্না হায়নরিবা লোক্তাক প্রোজেক্টনা লোক্তাককী শক্তম কায়হল্লবসু লম করাম্বা শেঞ্জাও পায়বা মীওই কয়া কয়ানা খোপচিল্লিবা, কোয়শিন্দুনা থম্নরিবা কয়া অসিদি নোংমা ফাওবা তকথোক্লবা হোৎনদে। ১৯৬১গীমমাঙদা লৈরম্বা লোক্তাক পাৎকী পাক চাওবা অদুনা ঙসি ২০২৬কী মতম অসিগা চাংদম্নদুনা য়েংবীয়ু। মণিপুর লৈঙাক্না লোক্তাক কনগদৌবনি হায়দুনা লাউরিবা কয়া হায়না হায়না ঙাঙনা ঙাঙনা লোক্তাক পাৎকী ঙমখৈদি নোংমা নোংমগী পীকশিল্লকই। তশেংনা হায়রবদা লোক্তাক প্রোজেক্ট অমা নৎত্রগা অমদা মৈ পুথোক্লবা হোৎনবদা লিফ ইরিগেশনগী থবক পাঙথোক্লবা ঙাক শেন্দুনা থম্লমদ্রবা নোংমা নোংমগী লম করাম্বা কয়াগী মখূৎতা তাখিদুনা পুম্মাং মাঙবা লোক্তাক পাৎ ওইরম্বসু য়াই। থাদরিবা ফত্ত-হৌদি ঈচেলদা য়াওরকপা ঈনাং-লৈকুপ-লৈনাং পূম্নমক্না নোংমা নোংমগী থেনগৎলকপদা হরাওরিবদি লম করাম্বা মীহৌ চাউবা লৈবাক্কী ৱাবুদি ঐগী ওইবনা মাঙদা থাবা কয়াগী মখূৎতগী কন্নবা হোৎনবদা লৈবাক ঙাক্লিবা কয়াদগী কথোকপা পুকচেল শেংবা মথৌ তঙাইফদে, ঐখোয় পূম্নমক লোক্তাক কনসি। ●